# ইলেক্সন কম্মিসন্না আর জে দিদা সো কোজ নোটিশ থাখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সি):
কুমজা ২০১৪-১৫ গী এন্যুয়েল ওদিট রিপোর্ট পীখৎলক্তবগীদমক ষ্টেট পার্টি অমা ওইরিবা রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি) দা ইলেক্সন কম্মিসন্না সো কোজ নোটিশ থাখ্রে।

হঞ্জিন হঞ্জিন খঙহনখ্রবসু এন্যুয়েল ওদিট রিপোর্ট পীরক্তবনা মরম ওইরগা রিকগনিসন কক্লোইদবগী মরম লৈব্রা হায়না ইল্কেসন কম্মিসন্না আর জে দিদা থাখিবা নোটিশ অদুনা ফোঙ-দোকখি। হিরম অসিগী মতাংদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা নুমীৎ ২০ নিগী মনুংদা অইবা ওইনা পীরক্কদবনি হায়নসু ইলেক্সন কম্মিসনগী নোটিশ অদুনা ফোঙদোকখি।

পাউখুম পীরকপা মতমদা কুমজা ২০১৪-১৫ গী এন্যুয়েল ওদিট রিপোর্ট অমদি মতম চানা রিপোর্ট ফাইল তৌরকখিদবগী মরমসু ময়েক শেংনা খঙহল্লক্কদবনি হায়রি। করিগুম্বা ৱাফম অসি থৌশাদবা তারবদি ইলেক্সন সিম্বোল (রিজার্ভেসন এন্দ এলোদমেন্ট) ওর্দর, ১৯৬৮ গী পেরা ১৬ এগী মখাদা মতিক চাবা থবক লৌখৎকনি হায়না নোটিফিকেসন অদুনা ফোঙদোকখি।

পেরা ১৬ এগী মতুংইন্না পোলিটিকেল পার্টি অমবু ইলেক্সন কম্মিসন্না রিকগনিসন ককপা ঙম্মী। ইলেক্সন কম্মিসনগী নোটিফিকেসন অদুনা হায়খি, পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্না চহী খুদিংগী ওক্টোবর ৩১ গী মমাঙদা এন্যুয়েল ওদিট রিপোর্ট পীশিল্ল-ক্কদবনি। আর জে দিনা কুমজা ২০১৫ গী ওক্টোবর ৩১ মমাঙদা চহীগী ওদিট রিপোর্ট পীরকখিদে। মরম অদুনা ইলেক্সন সিম্বোল ওর্দরগী পেরা ১৬ এগী মখাদা মতিক চাবা থবক লৌখৎপা য়াই। সুপ্রীম কোর্টকী য়াথং অমগী মতুংইন্না পোলিটিকেল পার্টিশিংনা লৌখৎপা থৌরাং পুম্নমক মনুং মপান ফাওনা উবা ঙমহন্নবগী পান দমদা চহী খুদিংগী এন্যুয়েল ওদিট রিপোর্ট পীখৎলক্নবা খঙহনখিবনি। অমরোমদা, আর জে দিনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা বিহারগী মীখলদা নিতিসকুমারনা মোদেল কোদ ওফ কদক্ট ঙাকখিদে হায়না মরাল শিখ্রে।

# লৈবাক ৩ দা চৎকদবা নুমীৎ ৫নিগী খোঙচৎতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ন্যু দিল্লি থাদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সি):
লল্লোন-ইতিক অমসুং ইনভেষ্টমেন্ট য়াওনা হিরম কয়াদা অফবা মরী পুরক্নবগী পান্দমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি স্বিদেন, য়ুনাইটেদ কিংদম অমসুং জর্মনি খোঙচৎকীদমক ন্যু দিল্লি থাদোকখ্রে।

লৈবাক অহুমদা চৎকদৌরিবা নুমীৎ মঙানি খোঙচৎ মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা ইন্দিয়াগা অফবা মরী পুরক্ন বা হোৎনগদৌরি। নিংথৌকাবা নুমীৎতা প্রাইম মিনিষ্টরনা স্বিদেনগী কোনুং ষ্টোকহোমদা থুংরবা মতুং স্বিদিস প্রাইম মিনিষ্টর ষ্টেফেন লোফ ভেনগা উনদুনা ৱারী শান্নগনি। তুংদা মহাক্না অমুক য়ুনাইটেদ কিংদম মাইকৈ পাংখিগনি। হল্লকপগী লন্বীদা প্রাইম মিনিষ্টরনা বরলিন্দা ঙাইহাক পল্লমগনি।

খোঙচৎ অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, ইন্দিয়া অমদি স্বিদেনগী মরক্তা থম্নরিবা মরী অমুক্না হেন্না চেৎশিনহন্নবা হোৎনরগনি। মরুওইনা লল্লোন ইতিক, সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, এনর্জি অমদি স্মার্ট সিটিগী মতাংদা থৌরাং কয়া লৌখৎমিন্নরগনি।

ফেসবুক্তা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়ানা চাউখৎ থৌরাং কয়া লৌখৎপদা স্বিদেননা মরুওইবা খোংবু অমা ওইদুনা লাকখি। লৈবাক অদুদা লৈরিবা মকোক থোংবা বিজিনেস লিদর কয়াগা উনদুনা লল্লোন-ইতিক, ইনভেষ্টমেন্ট, ইনোভেসন, স্কিল দিভলপমেন্ট, স্মার্ট সিটি, ক্লিন ইনর্জি, দিজিটাইজেসন অমসুং হেল্ঠকী মতাংদা ৱারী শানগনি।

হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়া-নোর্দিক সম্মিটতসু প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱা ঙাঙগদৌরি। য়ুনাইটেদ কিংদমদা লৈরিঙৈদা প্রাইম মিনিষ্টরনা কম্মনৱেল্ঠ হেদস ওফ গভর্ণমেন্টকী মীটিংদা শরুক য়াবগা লোয়ননা বৃটেনগী মহাক্না ফম মান্নবা টেরেসা মে অমদি মহারানিগা উনদুনা ৱারী শানগদৌরি। য়ু কে অমদি ইন্দিয়াগী মরক্তা মতম কয়াগী মমাঙদগী লৈরক্লিবা মরী অমুক্না হেন্না মরা চেৎশিনহন্নবা হোৎনরগনি। মরু-ওইনা হেল্ঠ ক্যের, ইনোভেসন, দিজিটাইজেসন, ইলেক্ট্রিক মোবিলিটি, ক্লিন ইনর্জি অমসুং সাইবর সিক্যুরিটিগী মতাংদা লৈবাক অনী খোঙবু ওইমিন্নরগনি হায়রি।

মোদিনা স্বিদেনদা লৈরিঙৈদা য়ান্নচে কয়া খুৎয়েক পীনগনি হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। ইন্দিয়ানা মিসাইল টেক্নোলোজি কন্ট্রোল রেজিম (এম টি সী আর) গী মেম্বর ওইনবা হোৎনবদা স্বিদেননা মপুং ফানা শৌগৎতুনা লাকখিবনি। ন্যুক্লিয়ার সপ্লাইয়র্স গ্রুপকী মেম্বর ওইনবা হোৎনবদসু স্বিদেননা ইন্দিয়াগী মতেং পাংদুনা লাকখি।

কুমজা ২০১৭ কী দেটা মতুংইন্না লৈবাক অসিদা ইন্দিয়া অমদি স্বিদেনগী জোইন্ট ভেঞ্চর ১৭০ হেন্না লৈ হায়রি। ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংদ্রিঙৈদগী হৌনা লৈবাক অসিদা এরিক্সন, স্বিদিস মেটস (দব্লিয়ু আই এম সী ও), এস কে এফ অমদি এ এস ঈ এনচিংবা স্বিদিস কম্পেনি কয়া লৈবাক অসিদা লৈরক্লবনি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টরনা কম্মনৱেল্ঠ হেটস ওফ গভর্ণমেন্টকী মীফম য়াওদ্রিঙৈদা বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেগা উনদুনা লৈবাক অনীগী ওইবা মরী ফগৎ-হন্নবগী মতাংদা ৱারী শানগদৌরি। হয়েং নুমীদাং য়ু কে থুংলুগদৌরিবা মোদিনা য়ুমশকৈশ নুমীৎ মহারানি ইলিজাবেটকসু উনদুনা ৱারী শানগনি হায়রি।



# ইন্দিয়ানা পাকিস্থানগী দেপ্যুটি হায় কম্মিস্নার কৌদুনা খালিস্থানগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সি):
পাকিস্থান্দা লাই খুরুম্বা চৎখিবা সিখ ফুরুপকী মীওইশিংদা খালিস্থানগী ৱাফম ইনশিন্দুনা ইন্দিয়াবু খোয়শাওনবা পোকহল্লি হায়বগীদমক মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ার্সনা ঙসি পাকিস্থানগী দেপ্যুটি হায় কম্মিস্নার কৌদুনা ৱাকৎখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটের্নল এফিয়ার্সকী ষ্টেটমেন্টনা অমনা হায়খি, ইন্দিয়াদগী সিখ কয়ানা পাকিস্থান্দা লাই খুরুম্বা চৎপদা খালিস্থানগী ৱাফম পুখৎতুনা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা লৈবা থৌরাং কয়া লৌখৎখি। লাই খুরুমফম কয়াদা খালিস্থানগী পোষ্টর থেৎখিবগা লোয়ননা লৈবাক মচেৎ তাহন্নবা অতম্না ইনশিনখি। ইন্দিয়াগী অপূনবা শক্তমদা অকায়বা থোকহনবা য়াবা থৌরাং অমা ইস্লামাবাদনা লৌখৎলোইদবনি হায়না মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্টনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাকিস্থানি দেপ্যুটি হায় কম্মিস্নারদা হায়খি মদুদি, ইন্দিয়াদা তোখায় তাবগী ঈহৌ হৌরিবা মীওইশিংদা পাকিস্থান্না নাকোয়ননা নৎত্রগা অতম্নমা মতেং পাংশিনবগী থৌওং খুদক্তা লেপকদবনি। হন্দক্তা ইন্দিয়াদগী লাই খুরুম্বা চৎখিবা সিখ ফুরুপকী মীওইশিংনা পাকিস্থান্না খালিস্থানগী ৱাফম শৌগৎতুনা চথুখিবা থৌওং অদু কুমজা ১৯৭৪ গী বাইলেটরেল প্রোটোকোলগী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি হায়নসু মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ার্সনা খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, মমাঙগী শগোলশেন নুমীৎতা সিখ ফুরুপকী মীওই ১,৮০০ রোম পাকিস্থান্দা চৎতুনা ৱৱালপিন্দি দিষ্ট্রিক্টকী গুরদুৱারা পঞ্জা সাহিবতা বাইসাখি ফেষ্টিবেলদা শরুক য়াখিবনি। ইন্দিয়াদগী চৎখিবা সিখ ফুরুপকী মীওইশিং অদু পাকিস্থানদা লৈরিবা ইন্দিয়ান দিপ্লোমেটশিংগা উনহনখিদবগী মতাংদা ন্যু দিল্লিনা ঙরাং অইবা চেরোল অমা থাদুনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবনি।

লৈবাক অসিদগী পাকিস্থান্দা চৎখিবা মীওইশিংদা মতেং পাংনবগীদমক দিপ্লোমেটশিংগা উনবদা ইস্লামাবাদনা অথিংবা পীখিবগী থৌওং অদু মালেমগী চৎন-কাঙলোন্না য়াদবা থৌওংনি হায়না ফোঙদোকখি।

পাকিস্থান্দা লৈরিবা ইন্দিয়ান হায় কম্মিস্নারনা এপ্রিল ১৪ দা গুরদুৱারা পঞ্জা সাহিবতা চৎনবা থৌরাং তৌরিঙৈদা মতিক চাবা মরম পীদনা লমখাংদগী নমদুনা হলহনখিবগী থৌওং ইন্দিয়ানা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। য়ুম্লোন্নবা লৈবাক অনীগী মরী শোকচিল্লকপগা লোয়ননা ঙমখৈদা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক তোয়না থোকপা লৈখ্রবনি। মমাঙ থাদসু জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পুন্স অমদি রাজোরি দিষ্ট্রিক্টতা লৈবাক অনীগী লান্মীশিং লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) দা নোংমৈ কাপ্নখিবনি।



# কাটুৱা অমদি উনাও রেপ কেসকী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা মীয়ামগী খোঙচৎ চৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সি):
জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী কাটুৱা দিষ্ট্রিক্টতা চহী ৮ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা ফন্নাল্লবা মতুংদা হাৎতোকখিবা অমসুং উত্তর প্রদেশকী উনাওদা ভারত্তিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী এম এল এ কুলদিপ সিংহ সেংগারনা মশাগী চহী ১৭ শুরবী নুপীমচা অমা ফন্নানখিবগী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা মীয়াম্না অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

মুম্বাইদা মশিং য়াম্লবা মীওই কয়ানা বেন্দ্রাগী কার্টর রোদ, জুহু অমদি মিরা রোদতা অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎখি। নুপীগী মায়োক্তা চথুবা ক্রাইম থিংনবা সেন্ট্রল গভর্ণমেন্ট অমদি ষ্টেট লৈঙাক্না মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎকদবনি। মরাল লৈবা মীওইশিং মতিক চাবা চৈরাক ফংহনগদবনি হায়বনচিংবা খোল্লাও কয়া খোঙচৎতা শরুক য়ারিবা মীওইশিংনা লাউখি।

তোঙান তোঙানবা সিবিল সোসাইটি গ্রুপশিংনা সোসল মেদিয়াগী খুত্থাংদা মীপুম খুদিংমক নুপীমচা অনী ফন্নানখিবগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা খোঙজংদা শরুক য়ানবা আপিল তৌখি। ন্যু দিল্লিদসু পার্লিয়ামেন্ট ষ্ট্রিক্তা মশিং য়াম্লবা মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী খোঙচৎ অমা চৎখি। লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা নুপীগী মায়োক্তা চথুবা ক্রাইম হেনগৎলকপগা লোয়ননা দলিট অমসুং মীশিং য়ামদবা ফুরুপকী মীওইশিং তাথি তাওইনা তৌবগী থৌওংবু খোঙচৎতা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদো-কখি। তোঙান তোঙানবা সিবিল সোসাইটি গ্রুপশিংনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী খোঙচৎ অদুদা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মাক্সিস), আর্মদ আদমি পার্টি অমদি কোংগ্রেসনচিংবা পোলি-টিকেল পার্টি কয়াসু শরুক য়াখি।

এ এন আইগী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না মোরাদবাদ, গুজরাত অমদি সুরদতসু নুপীগী মায়োক্তা চথুবা ক্রাইম য়ানিংদবা ফোঙ-দোক্তুনা মশিং য়াম্লবা মীয়াম্না খোঙচৎ অমা চৎখি হায়রি।

টাইম ওফ ইন্দিয়াগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, অহম্মেদবাদ, বাদোদরা, সুরদ অমদি জুনাগরদা মীওই চা কয়া লন্বীদা থোরক্তুনা মরাল লৈবা মীওইশিং মতিক চাবা চৈরাক ফংহনগদবনি হায়বা খোল্লাউ লাউদুনা অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎখি। হর্দিক পটেলনা লুচিংবা পটিদার অনামট অন্দোলন সম্মিটিনা অহম্মেদবাদকী নিকোল এরিয়াদা কেন্দল পায়রগা খোঙচৎ অমা চৎখি। অহম্মেদবাদকী ধবগরবদতা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী খোঙচৎ অমদসু চহী নৌরিবা অঙাং কয়ানা প্লেকার্দ পায়দুনা শরুক য়াখি। উনাও অমদি কটুৱাগী রেপ কেসতা চেন্নবা মীওইশিং মতিক চাবা চৈরাক ফংহন্নবা মতম কয়াগী মমাঙদগী তোঙান তোঙানবা মফমদা খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি।




# কাশ্মিরদা মীচম, পুলিসমেন শোক্লে

শ্রীনাগর, এপ্রিল ১৬ : জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টতা টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্ল-কপদা মীচম অমগা পুলিস পার্সোনেল অমগা অশোক অপন নংলে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিসকী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি, খুৎলাই মতিক চানা পায়বা টেররিষ্টশিংনা চথুরকখিবা এটেক্তা রাফিক লোন কৌবা মীচম অমা অমসুং বিলাল অহম্মদ কৌবা পুলিস পার্সোনেল অমগা শোক্লে। শোক্লবা মীওই অনীমক মনাক নকপা হোস্পিটালদা লায়কন্নরি।

পুলিসনা থৌদোক অদুগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎলগা ইনভেষ্টি-গেসন চথুবা হৌখ্রে। অহানবা ফংবা রিপোর্ট মতুংইন্না এটেক চথুরকখিবা মিলিটেন্টশিং অদু হিজবুল মুজাহিদিনগীনি হায়রি। হন্দক্তসু দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্তদা টেররিষ্টশিংনা মশাগী চহী ২৩ শুবদা ঙাইরিবা মীওই অমা মখোঙদা নোংমৈনা কাপ্লম্বা লৈখ্রবনি। ওইথংবা মখোঙদা নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী শোক্লবা মীওই অদু শ্রীনাগরগী বোন এন্দ জোইন্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমীৎতসু দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্তুদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মিলিটেন্ট ১০ হাৎখ্রবা মতুংদা মীয়ামগী ঈহৌ হৌরক্তুনা পুলিসকা খুৎ থোক্লবদা মীচম ৫০ রোম অশোক অপন নংখ্রবনি। পুলিসনা হায়খি মদুদি, মশিং য়াম্লবা মীয়াম্না পুলিস তম্না নুংলংশিল্লকপদগী নোংমৈ কাপ্পদা মীওই ৫০ শোকখিবনি।

# ক্রাইম হেনগৎলকপগী মতাংদা রাহুল গান্ধীনা নুংনাংবা ফোঙখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সি):
চহী নৌরিবী নুপীমচাশিং ফন্নানবা অমসুং নুপীদা চথুবা ক্রাইম হেনগৎলকপগী মতাংদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০১৬ তা ফন্নানবগী থৌদোক ১৯,৬৭৫ থোকখি হায়না পল্লদুনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্টনা হায়খি, নুপীবু অৱাংবা থাক্তা ঈকাই খুম্নৈ হায়রিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফার্ষ্ট ট্রেক কোর্ট লিংদুনা নুপীদা চথুবা ক্রাইমদা চেন্নরিবা মীওইশিং মতিক চাবা চৈরাক ফংহনগদবনি। কুমজা ২০১৬ তা চহী নৌরিবী নুপীমচা ১৯,৬৭৫ ফন্নানবগী থৌদোক থোকখিবা হায়বসি লৈবাক্কী ওইনা ঈকায়নিংঙাইনি।

অয়াম্বা মতমদা নুপীবু অৱাংবা থাক্তা ঈকায়খুম্নবগী ৱাফম ফোঙদোক্তুনা লাকখিবা প্রাইম মিনিষ্টরনা হৌজিক হৌজিক লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা নুপীগী মায়োক্তা চথুরিবা ক্রাইম থিংবা ঙমদবগী থৌওং ঈকায়নিংঙাইনি হায়নসু রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকখি।

কটুৱা অমদি উনাও রেপ কেসকী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা হৌখিবা শগোলশেন নুমীৎতা রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা ইন্দিয়া গেটতা মীয়ামগী ওইবা কেন্দল পায়রগা চৎপা অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎখ্রবনি।

# ইন্দিয়াগী মুস্লিমশিংনা রাম টেম্পল থুগাইখিবা নত্তে : মোহন ভগৱট

মুম্বাই, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সি):
ইন্দিয়াগী মুস্লিমশিংনা রাম টেম্পল অমাঙ-অতা থোকহনখিবা নত্তে হায়না রাষ্ট্রিয়া স্বয়মসেবক সঙ্ঘা (আর এস এস)কী লুচিংবা মোহন ভগৱটনা ফোঙদোকখ্রে।

পলগহার দিষ্ট্রিক্টকা থংননা লৈবা দহানুদা পাঙথোকপা বিরাদ হিন্দু সম্মেলন্দা ৱা ঙাঙখিবদা ভগৱটনা হায়খি, ইন্দিয়াদা লৈরিবা মুস্লিমশিংনা রামগী লাইশঙ থুগাইখিবা নত্তে। ইন্দিয়ানশিংগী পূক্নিং ৱাখল শোন্থহন্নবা হায়দুনা মপান্দগী লাকপা মীওইশিংনা রামগী লাইশঙ অমাঙ অতা থোকহন-খিবনি। অযোধ্যাদা নৌনা অমুক রামগী লাইশঙ অমা শাবা হায়বসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কী শোয়ফদ্রবা থৌদাংনি। করিগুম্বা রামগী লাইশঙ শাবা ঙমদ্রবদি নাৎকী হৌরকফম শোয়দনা মুৎখিবা য়াবগী ফীভমদা লৈ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

সুপ্রীম কোর্টতা ৱায়েল চথুরিবা রাম জন্মভুমি-বাবরি মসজিদকী মতাংদা মহাক্না হায়খি, মালেমদা মনিং মখা তম্বা লৈবাক অমা ওইনা পাল্লিবা ইন্দিয়াদা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না পাম্বা মতুংইন্না লাইশঙ শাবদা কনাগুম্বা অমত্তনা অথিংবা পীবা ঙম্লোই।



পনবা য়াবদি, অলহাবাদ হায় কোর্টনা কুমজা ২০১০ দা য়েৎনরিবা অযোধ্যাগী মতাংদা পীখিবা ৱায়েল অমা শিংনরদুনা ফাইল তৌরকখিবা আপিল পিটিসন ১৩ এপেক্স কোর্টকা হিয়ারিং চথুরিবনি। অলহাবাদ হায় কোর্টনা য়েৎনরিবা অযোধ্যাগী লমবু শরুক অহুম থোক্না খায়দোল্লগা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ অহুম য়েন্নগদবনি হায়না ৱায়েল পীখি।

আর এস এসকী লুচিংবা মোহন ভগৱটনা ওপোজিসনবু মরাল শিরদুনা হায়খি, হন্দক্তা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা ওপোজিসন পার্টিশিংনা ইনশিল্লগা কাঙলুপকী ওইবা খৎন-চৈনবগী থৌদোক থোকহনখি। মীখলদা মায় পাকপা ঙমহৌদ্রবা ওপোজিসন্না নীংবা কায়বদগী লৈবাক ঈরাং হৌহন্নবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ মশেল খুৎ থোক্নহনখিবনি হায়নসু মহাক্না মরাল শিখি।

অমরোমদা, আর এস এসকী মরুওইবা লুচিংবা ইন্দ্রেস কুমারনা হায়খ্রে মদুদি, ইস্লামগী মতুংইন্না য়েৎনবা মফম অমদা মসজিদ শাবা য়াদে হায়বা ৱাফম অমা লৈ। মরম অদুনা রামগী পোক্নফম ওইরিবা অযোধ্যাদা মসজিদ শানবা থৌরাং খুদক্তা লেপফম থোকই।

থৌরম অমদা শরুক য়ারদুনা ৱা ঙাঙখিবদা ইন্দ্রেস কুমারনা হায়খি, লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা রামগী লাইশঙ মশিং থিঙমদনা লৈ। অদুবু লোর্দ রামগী পোক্নফম ওইরিবা অযোধ্যাদি অমখক্তনি। মরম অদুনা অযোধ্যাদা রামগী মরুওইবা লাইশঙ অমা শাবদা মখা তানা য়েৎনবগী মথৌ তাদে। হন্দক্তা আর এস এসকী জেনরেল সেক্রেটরি ভৈয়াজি যোসিনা হায়খিবনি মদুদি, য়েৎনরিবা অযোধ্যাগী মতাংদা ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবদা মতম চঙলবসু তঙাইফদনা অযোধ্যাদা রামগী লাইশঙ অমা শোয়দনা শাগনি।

অখিল ভারত্তিয়া প্রতিনিধি সভা য়াওবা লাকখিবা আর এস এসকী লুচিংবা অদুনা পাউমীশিংদা হায়খি, য়েৎনরিবা অযোধ্যাদা রামগী লাইশঙ শাবা হায়বসি তঙাইফদনা লৌখৎফম থোকপা থৌরাংনি। সুপ্রীম কোর্টনসু হিরম অসিগী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল পীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। স্পিরিচুয়েল গুরু শ্রীশ্রী রবিসঙ্করনা অযোধ্যাগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ মশেল য়ান্নবা পুরক্কদবনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমগী মতাংদা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা যোসিনা হায়খি, য়েৎনরিবা কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা য়ান্নবা পুরকপা হায়বসি অরায়বা ৱাফম নত্তে। হিরম অসিগী মতাংদা সুপ্রীম কোর্টনা পীরকপা ৱায়েল ঙাইরগা মখা তাবা থৌরাং লৌখৎনবা হোৎনগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# মীরেপ থাদোক্লোই

হায়দ্রবাদ, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সি):
কর্নাটাকাগী এসেমব্লী মীখলদা টি আর এসকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখর রাওনা জনতা দল (সিক্যুল্লর) দা শৌগৎখ্রবা মতুং এ আই এম আই এমনসু ঐচ দি কুমার স্বামীদা মপুং ফানা শৌগৎলগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

এ আই এম আই এমগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা হায়দ্রবাদকী এম পি অসাদউদ্দিন ওৱাইসিনা হায়খি, দেবে গৌরানা লুচিংবা পার্টিনা কর্নাটাকাগী মীখলদা সিট মশিং খ্বাইদগী য়াম্না ফংগনি হায়বগী থাজবা লৈ। ষ্টেট অসিদা কোংগ্রেস অমসুং বি জে পি নত্তবা অতোপ্পা পার্টি অমবু লৈঙাক পায়হন্নবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌগনি। কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভাগী মীখলদসু কোংগ্রেস অমদি বি জে পি নত্তবা অতোপ্পা পার্টি অমবু মায় পাকহন্নবা থৌরাং লৌখৎকনি।

অমরোমদা, বি জে পিনা ঙসি ষ্টেট অসিগী মীখলদা মীরেপ ওইগদবা মীওই ৮২ গী মমিং লাউথোকখ্রে। এপ্রিল ৮ দা পার্টি অসিনা মীরেপ ৭২ গী মমিং লাউথোকপা লৈখ্রবনি। সেন্ট্রেল ইলেক্সন কম্মিটিনা অতৈ মীরেপশিং লাউথোরক্লগনি।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG**

***Ref:- Mutation Case No. 190/SDC/Moirang 2018***

1. Mangkholien Gangte S/o (Late) Kaisoi Gangte of Khousabung.
*... Pititioner*

-VS-

Late Kaisoi Gangte S/o (L) Lunjamang Gangte of Khousabung.
*... O.P.P.S*

**NOTICE**

Moirang, the 12th April 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খুল নং: 51-Ngangkhalawai দা লৈবা পাট্টা নং ৪০৪ সী. এস. দাগ নং ১০৩৩ এরিয়া ২.২২ একর চাওবা লম ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা ইঙ্খোল অসিগী মৃতু পাট্টাদারগী ইমুং মনুংনা মীং ওনবীরো হায়না লম অসিগী মতাঙদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি / ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎনি) গী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না মখা কেস চৎথরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector, Moirang**

*HL-P/1035/17*

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING, IMPHAL WEST**

***Ref:- Mut. Case No. 166/SDC/IW/LC of 2018***

Phaomei Chunjanglung S/o Ph. Namthanlung of Langthabal Chingkha.
*...... Petitioner*

-Vrs-

(Late) Abui Kabui S/o (L) Machongna Kabui of Langthabal Chingkha.
*...... O.P.P*

**NOTICE**

Lilong Chajing, the 16th April 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি এস: দি: সী: লিলোং চজিংগী মখাদা লৈবা খুল নং ৬৭-লংথবাল কুঞ্জগী অরিবা পাট্টা নং ৪০২, ৪০১ অনৌবা পাট্টা নং ২৯৫/১০৪০, দাগ নং ১০৩৪ এরিয়া ০.৮৮ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অবুই কবুই পীং মৃ: মচোংনা কবুই অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিংদা লৈরিবা লৌফম অসি মথক্তা পল্লিবা পেটিস্নরগী মমিংদা নামা ওনবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা লৌফম অসিগী মরীদা আপতি তৌবিনিংবা মীওইশিংনা "নোটিশ" অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মশানা লাকপীদুনা অইবা চেনা আপতি তৌরদ্রগদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেশ মখা চথুরগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ অমত্তা কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

*Sd/-* **Ak. Lalmohon Singh**
**Sub-Deputy Collector**,
Lilong Chajing, Imphal West

*HL-P/1038/17*

SMART TUTORIAL CENTRE
Singjamei Super Market
ADMISSION OPEN
Class X,XI sc. & XII sc. (BOSEM & COHSEM)
FOUNDATION COURSE
STARTING OF Class 5 & 16 April, 2018
HOSTEL ( BOYS & GIRLS)
CLASS VI TO XII & COLLEGE
VAN SERVICE AVAILABLE
TIMING:
4:30 P.M TO 7:30 P.M
Sub: ENG.,S.S.,SC., MATHS,M.M-X
Eng.,Phys.,Chem.,Bio. & Maths -XI & XII
Detais Please Visit S.T.C.,Singjamei Super Market
☎ 8730999192
HL-P/797/21/3-18/5 (Alt.)